হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, এপ্রিল ৩০, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৩৬শুবা মশীং

## পাওনা বজারগী য়ু য়োনফমশিং

### কাও থাবদৌনা থারিবসি শেল খায়নবরা

মমাঙগী লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্কী মীখল অদুগী মমাঙদা য়াম্না তোয়না হায়বা/ঙাঙবদা য়াওখিবসি ফত্তবা য়ুঙৌ থকপদগী মী অয়াম্বা লিভর সিরোসিস তৌরে, শিবা য়াম্না য়াওরে। অদুনা লৈঙাক্লা মণিপুরগী য়ুঙৌশিং এক্সপোর্ট ক্কালিটি ফাওবা য়ৌহল্লগা মপান্দা থাদোক্লনি। অদুগা মণিপুরগী য়ুঙৌ থকপা মীওইশিংদনা অফবা, হকচাং শোক্লোইদবা য়ুঙাং ওইনা পীথক্লগনি হায়বসিনি। হায়রিবা ৱাফমশিংসি ইলেক্সন মমাঙদা চিন্দোন-লৈতোন পক্লখিবা থেনখাংশিং মীয়াম্না হকথেংনখিবনি। ভোট লোইখিবদা ঙাইরিবনিনা হৌজিক মীয়াম্না শঙ-শঙ অদুম্মক উনরি। অদুবু পাওনা বজারগী নম্বুল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্বান মনাক্তা লৈরিবা লম্বীগী পরিংদা কৈশাম্পাৎ থোংখোঙদগীনা অহানবা থোং অকোনবী ফাওবগী মরক্তা অয়ূক-নুংথিলনি, নুমিদাংনি-অহিংনি হায়বা থমদনা নোংমদা পুং ২৪ (রাউন্দ দি ক্লোক) য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাংশিং ওপন ওইনা পুল্লপ য়োল্লিবসিবু লৈবাক্কী অমসুং লৈঙাক্কী লুচিংবনা হায়খ্রবনি, হায়খ্রিবদুনা অয়াবা পীরবনি হায়দুনা য়োন্নরিব্রা নৎত্রগা থিংদুনা য়োলহল্লোইদৌবা খুরক হাঙদবমখে দিপ্লোই তৌরিবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা নোংমৈ পায়বশিংনসু নুংতিগী ইনশোন কাংদনা নামৈশেল লৌবা য়াই, লৌফম ওইরি হায়দুনা কাও থাবদৌনা থারিব্রা হায়বসি পাওনা বজারদা বিজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং হাংলিবা অমসুং ময়ূম ওইনা লৈরিবা কম্যুনিতি খরগী মীওইশিং য়াওনা নম্বুল তুরেল খক্তুনা খল্লগা য়ু য়োনফমশিং অসিগা মায়োক্নুনা লৈরিবা কৈশাম্পাৎকী য়ুমজাও লাইরেম্বীদগীনা কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায় ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা মীয়ামদা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়দুনা শেংদোক্কদবনি। য়ু য়োনফমশিং অসিগী মতাংসিদি লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিং লামশিল্লুদ্রবসু অথিংবা পীদুনা য়োলহল্লোইদবা, য়োলহন্দবা ঙম্বা য়ুনিফোর্ম শেৎপশিংনা অদুম্মক পীরবসু য়ানি। মরমদি য়ু য়োনফমশিং অসিনা লৈরিবা মফমশিংসিবু মখোয়গী জ্যুরিসদিক্সন ওইনা কোনশিল্লিবা কাঙবুনা হায়রকপনা হকথেংননা চুম্বসু ওইগনি, মরীকসু চুমগনি।

হোয়, তৌদে হায়বা নত্তে, তৌই। এস দি পি ওদগী হৌরগা এদিসনল এস পি ফাওবগী রেঙ্কতা লৈবা ওফিসরশিংনা ব্রিমেন পর্সনেলশিং পুরক্তুনা 'ৱাঙ্গ ইন এ ব্লু মুন' হায়বদুগী ফীভমদা দ্রাইভ চথরবা নুমিৎতগদি মণিপুরসে টোটেল প্রোহিবিসন চৎনরিবনি, লো লৈরি, য়ুঙাং-য়ুঙৌ য়োনবা য়াদবোইরেগা হায়বদু নৌহৌননা নীংশিংহল্লকই। লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং লৈরি হায়দুনা মিকুপ্তুদা পূক্লিং লূম্বা অমসুং চাওথোকচবা পোকই। অদুবু থংনবা মিকুপ্তুদি থায়না চীংদা পুলিসনা অফাবা মীওইশিং ৱান টোন ত্রকতা হাপকৎলগা থৌবা হৌরকপদা অফাবা মীওইশিং অদুনা ময়ূমগী মীওইশিংদা নুমিদাংগী চাক হাপ্লম্মু হায়দুনা লাওরম্মী হায়বদুগী ফীভমদা হেক্তা তারকই। অদুনা পাওনা বজারগী য়ুঙৌ-য়ুঙাং য়োনফমশিং অসিদা ঙাইহাক লৈতনা য়ুনিফোর্ম শেৎপশিং লাকপা লম্বী মপাননিনা লোইনা উনৈ। এক্সাইজগী কাঙবুনসু তোয়না কৌবদগী চৎলি হায়বা খঙই। মখোয়সু সিভিল দ্রেসতা ফাওবা লাক্তুনা য়ু য়োল্লিবশিং অসিগা জুজা-জুজা তৌনবসু লোইনা উনৈ। থাগী থিফম থোকপা টেক্সকীনি হায়। ও সী অনৌবা শিল্লগনা খরা ৱাংখৎলি হায়। অদুবু পূম্নমকসিনা য়ু য়োনফমশিং অসিদদি করিমত্তা তৌবা ঙমদে। মতু নাম্মা কেলহনবা ঙমদে। নূঙদা ঈশিং চাইবগুম থোকহল্লি। শামু মথুন্দা পেনা খোংবগা চপ মান্নে। য়ু য়োনবদি অদুম্মক লেপ্পে। হামু-হামু অদুম্মক তাই। য়ু লেপ্তুনা য়োনশিল্লকপনা থকপা-চাবগী অরেমখাকশিংগী দষ্টবিননা নম্বুল তুরেলনা ওই। য়ু থকপা অমসুং থকপা লাকপশিংগী গাড়ীনা মীয়াম চৎথোক-চৎশিন্দা অকায়বা পীরি। মরম অসিনা মীশি-মীনা য়াওবা তমথীরবা ক্রাইমশিং থোরকপা ঙাইবা মানবগী থৌওংসি মখা চত্থদনবা ফাগদবা-পুনগদবা অমসুং থিংদুনা য়োলহন্দবা ঙল্লিবা পর্সনেলশিংগী তোলোপশিং অখন্নবা হেনগৎহনবীয়ু। মসি ওইরগদি য়ু য়োনফমশিং অসিদগী শেনখাই-থুমখাইগী নাক্কথেং তৌররোই। মসি তৌদ্রবনিনা তৌবা য়াদ্রবা য়ু য়োনবগী থবকশিংসি মায় পাক্লা থিংজিনবসু ঙম্লগনি। মতাংসিদা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই। থৌদৌসি পাওনা বজারদা নত্তে, চপ মান্নবা মফম কোকথোং অমসু লৈরিবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) "তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।" শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি "অরোইবা খোঙচৎ" হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) *"সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।"* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) "চৈরে" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) *"অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ' গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।"* মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# (নীংশিংলকপা ৱারীনি তাবীয়ু, চুম্বা লানব্রা য়েংহঞ্জনীংই) অঙাং

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**




মদুগী কাদু কুঞ্জবাবুগী মচানুপা ইবুংঙোচৌবগী লাইরিক ঔরাইফম কানি। মফমদুদা কুঞ্জবাবুনা অয়ূক্কী পাউচে অমা পারি। কয়া চাউদ্রিবা মচানুপা বোবোবু কাদুদা কৌশিল্লি। মহাক মনপ শূৎশা-শূৎশা তৌরদুনা মপাগী মনাক্তা লেপ্লে। কুঞ্জবাবুনা মচানুপাদা হায়রকই,

"বোবো, নঙ দুকান্দগী নহানগীদুগুম্বা চুরুট উপু অমত্তা লৈরুচো।"

"হোয়!"

কুঞ্জবাবুনা লুপা য়াখ্তে চৎপীদু বোবোদা পীরদুনা হায়,

"শে শে সিদা পৈশা লৈরে। য়াম্না থুনা হল্লক্কদবনিকো! নৎত্রবদি ফূনি হায়রিসিনি, খোঙগ্রাওদু ফজনা চিংখৎলগা শেৎলু।"

চুরুট লৈরুনবা বোবোদু হৌদুনা অদুম চেনখ্রে। বোবোনা মমাঙদা মপাগী চুরুট কয়ারক লৈখ্রে। ঙাইহাক্কী মনুংদা বিকিগা বোবোগা চুরুট উপু অমা লৈমিন্নরুরগা খোঙলৈ থুনা হনমিন্নরকই। বিকি বোবোগী থংনবা য়ূমদা লৈবা মমান্নবনি। অনীমক ক্লাস ফোর তম্মিন্নরি।

টেবল মথক্তা ঙসাইদগী মথৌ পাঙথোক্তনা লৈরিবা মৈখেৎ উপুদু কুঞ্জবাবুনা লৌখৎলগা মচৈ অমা লৌথোক্লগা খেৎলি। বোবোনা হৌজিক্তা লৈরুবা মচীন্দা চুপ্তুনা লৈরিবা চুরুট অদুদা অচাকপা মৈখেৎ মরূদুনা চম্মী। কুঞ্জবাবুনা চুরুট চম্বা, মৈখু শাংনা চিংশিনবা অমদি মাগী মনাতোন মখুল অনীদগী মৈখু শাংনা শাংনা মরক মরক্তা কামথোরকপদু অঙাং অনীনা মতিল য়োৎল য়োৎলদুনা য়েংই। কুঞ্জবাবুনা মৈখু চিংশিনবা খুদিংগী চুরুটকী মতোন্দা চাক্লিবা হীদাকমনাগী মৈনা খংঙান খংঙান ঙান্দুনা চাকপদু অঙাং অনীদুনা মমীৎ মনা অমত্তা কুপ্তবমখৈ য়েংলি। চৌক্রিদা ঙাথরগা চুরুট চিংদুনা ফল্লিবা কুঞ্জবাবুনা টেবল মথক্তা মাগী মখোঙ অনীদু শাংনা তিংথোক্তুনা থল্লগা চুরুটকী মৈখু লিরি লিরি শাংনা শাংনা কামদুনা থাদোকই। কানুংদুদা চুরুটকী মৈখুনা শীন থুংনা পাইদুনা শান্নরকই। ঙাইহাক্কী মনুংদা চুরুটকী মনম্না কা অদু পিক থল্লি।

মরক মরক্তসু কুঞ্জবাবুনা মানা থক্লিবা চুরুটকী তান্থি অদু খূৎশানা তক-তক য়ৈরদুনা এশ-ত্রেদা খৎথৈ। য়াম্না নীংঙাইদনা উইরুম উইরুম তৌবা মনুংঙাই অমনি। অঙাং অনী মমিৎ মনা কূপ্তে। কুঞ্জবাবুগী ৱা কয়া ঙাঙজগন্দবী নুপী মেমচানা হায়রকই,

"মোইবা, মদুগুম্বদু অঙাং মমাঙদা তৌনুকো।"

"তানীংদে শ্বায়দা মদুগুম্বা নঙগী হঞ্জিন-হঞ্জিন ঙাঙবা ৱাদু।"

মেমচানা মদুম তৌদনবা খরা খরদি হায়রবনি। কুঞ্জবাবু য়াম্না হায়বা ইন্দবা মীনি।

কুঞ্জবাবু অয়ূক্কী পাউচে পাবা লোইরদুনা ইরুজরে। চাক চারদুনা ওফিস চৎনবা মফি শেৎলি। মাগী গাড়ী স্কুটর অদু থৌরদুনা ওফিস কাখ্রে।

কুঞ্জবাবু নুমিদাংৱাইরমদা মমান্নবা খরগা ওফিসতগী হল্লক্লে। মখোয়না লৈরকপা বোরা-কাংহৌ, য়েন অঙৌবা অমদি য়ুগী ময়োমশিং অদু মাঙ্গোলদা হান্নদগী থাদুনা লৈরিবা দেস্ক অমদি টেবল মচা অদুদা থম্মী। বোবোনা মপাগী মমান্নবশিংনা লৈরকপশিং অদু মতিল য়োৎল য়োৎলদুনা য়েংই।

কুঞ্জবাবুনা বোবোদা হায়রকই,

"বোবো, নঙ চাকশঙদগী গ্লাস লৌরুচো চৎলো, নঙসু য়েন চাবা য়াওহন্নি।"

"হোয়!"

খোঙগ্রাও মচি নাম্মা চিংখৎলগা ইমুংলোমদা তুং তুং চেনশিনখি অদুগা অমুক গ্লাস অমা পায়রগা তুং তুং চেম্থোরকই।

"অমনা য়ারোইনে, অনী অমগা পুথোরকউচো।"

অমুক ইমুংদা তুং তুং চেনশিনখি, অমুক মাঙ্গোলদা তুং তুং চেম্থোরকই। মপাগী মমান্নবশিংদা অমুক গ্লাস অদু হরাউনা পীরে। কুঞ্জবাবু ইমুংদা চঙলগা ওফিস চৎলুবগী মফি মরোল অদু হোংদোক্লরগা থোরকই। ঈশিং জগ অমসু অমুক য়াওরকই। বোবো মপাগী মমান্নবশিংনা তৌরিবদু লোইনা মমিৎ কুপ্তুনা য়েংই। চেরং থদৎপা, গ্লাসতা য়ু হৈবা, থকপা, শুগৎপা লোইনা উই। মঙোন্দসু মখোয়না বোরা-কাংহৌ পীজে, য়েন থোংবসু খাইদোক্তুনা পীজে।

নোংমসুনি, বোবো মপাগী মনাক্তা ফমুংদা লোংনা হিপ্লগা লৈ। কুঞ্জবাবুনা চুরুট চমখৎলি। মহাউ লৌনা মৈখু চিংশিল্লি। মৈখুদু শান্নবগী থাদোরকই। কা অদুদা মৈখুশিংনা অমনি। কুঞ্জবাবুনা মতৌগুম্না মাগী নাতোন মখুন্দগী লিরি লিরি মায়কৈ শিন্না পাইবদু বোবোগী নুংঙাইরবা মঙলান হায়রকই,

"বোবো, চুরুটকী মৈখুনা জিরো থাগে য়েংউ, নহাক য়েংনীংব্রা?"

"য়োনীংই বাবা।"

কুঞ্জবাবুনা চিংশিল্লিবা চুরুটকী মৈখুনা মাগী থবোম্বী অদু পিক থলহল্লি। হৌজিক চিংশিল্লুবা মৈখুদু অমুক হন্না ফু লাউনা শাংনা কামথোক্লকই, মহাক্কী মচিন্দগী কামথোক্লকপা মৈখুদুনা বোবোগী মমাঙদা ফজরবা খুজি মওং মানবা মৈখুগী চগো অমা কাদুগী মনুংদা কোয়তাউ তাউদুনা শান্নবা হৌরকই। মদু ঙাইহাক অমুক পাইরল্লগা তপ্না তপ্না মাঙখ্রি। অমুকসু কুঞ্জবাবুনা চপ মান্নবা মওংদা মৈখুগী চগো অমা কামথোরকই। বোবোনা চগো অদুবু ফুক হৌগৎতুনা কোয়তান তান্নরদুনা থুগায়দুনা শান্নরকই। কুঞ্জবাবুনা হঞ্জিন হঞ্জিন কামদুনা মচানুপাগী মমাঙদা শান্নরকই। বোবোনা অমুক তান্নদুনা থুগায়দুনা শান্নরি।

নোংমা কুঞ্জবাবুনা অয়ূক্তা ওফিস কারমদাইনি। মতমদুদা মাগী নুপী মেমচানা শোম্থাংননা কুঞ্জবাবুদা হায়রৈ, "মোই'বা, মোই'বা, অমুক্তা ইবুঙোচৌবগী থোঙনাউ মপাফাওদা চৎলুসি লাউ, শ্রোৎ প্রেক অমত্তা লাউহনদনা ঐগী তুং ইন্নবিরকউ।"

"করিনোনে ঐদি শো কন্না থিরিনে, শো থমফম কাউরেনে।"

"শোদু কোন্না থিরো চৎতা চৎলুসি লাউ অমুক্তা মোই'বা।"

কুঞ্জবাবু মাগী নুপীগী মতুং ইন্দুনা মচানুপা অহল ইবুঙোচৌবগী কাগী থোঙনাউ মপা তম্না তপ্না তপ্না শুমাঙলোমদা লাক্লে। খজিক্তং কাথোক্লিবা থাঙনাউগী মখুল অদুদা মেমচানা খুদোম্বীনা থিল্লগা কুঞ্জবাবুগী মনাকোংদা শোম্থাংননা হায়রকই,

"মোই'বা, থোঙনাউগী অহোবা মখুল অসিদা অমুক্তা য়েংশিল্লু।"

মেমচানা হায়বগী মতুংইন্না কুঞ্জবাবুনা থোঙনাউগী অহোবা মখুল অদুদা চেক মুক লাউদনা য়েংশিল্লি। ময়াম্বগী লাইরিক পাফম কাদনি। বোবো চৌক্রি অমদা ঙাথরদুনা ফল্লি। মপানা তৌবগা চপ মান্ননা টেবল মতাই অদুদা মখোঙ অনীনা লাম্বা ফংবোই ফংদবোই ঙাল্লগা বোবো চুরুট অমা চিংলি। মৈখু ৱা ৱা কাম কামদুনা শান্নরিবদু কুঞ্জবাবুনা উরকই। অমুকসু বোবোনা চুরুটকী তান্থি অদু এশ, ত্রেদা কূৎকাপ্পীনা তক তক তৌদুনা খৎথরগা থাধরি।

কুঞ্জবাবু মীৎকুপ অমগী মনুংসিদা মমায় অদু ঈচপমুক ঙাঙশিল্লি। মহাক লৈমায়দা মমায় লূকথখিবা খঙহৌদে। মহাক মচিন্দা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙলমদে। তূমিন্না মীৎ কূপ্তুনা কুঞ্জবাবুগী মতৌ য়েংলম্বী মেমচানা কুঞ্জবাবুদা হংলকই,

"করি উবগে মোই'বা?"

কুঞ্জবাবু মাগী নুপীদা করিসু খুল্লক্তে। মতম অদুদা মহাক্না নীংশিংলকপা হায়ববু ৱা ঙাঙগন্দবী মাগী নুপীনা হেক হেক হায়বা অঙাং মমাঙদা অদুম্না তৌগনুনে হায়বা ৱাহৈ অমখক্তংদি মাগী নাকোংদা অমুক হন্না নৌহৌননা তারকই। ●

# নুপী মশীং খঙদবগী ৱাথোক

**নবকুমার ওইনা**

লমদমসিদা ফোঙলিবা পাউচেশিং অমসুং লাইরিকশিং অসিদা লান্না লমজিংবা অমা য়াওরব্রা হায়বগী চিংনবা কয়া অমা লৈরব্রা? পুৱারী অমসুং লাইনীংগী লাইরিকশিংদা পঙইদা ইশিল্লম্বগী ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। ঙসিসু লেপ্তুরি, মসিগী মরম খন্থনবদি য়াওদনা পঙহায় হায়নবগী ওইগদৌরি। লোগী মিৎয়েংদা ফাওবা লান্না লমজিংবা য়াওশিল্লক্লি হায়বা য়ারক্লি। লো কয়া ঙাক্লদে।

নুপা-নুপীশিংবু লমচৎ নায়দবগুম উহনবা মীওইশিংসু মশীং হেনগৎলক্লি। মদুগী মরম থিবগী মহুত্তা ফুরি হোৎপগুম পাউচেশিংদা লাইয়েংবগুম ঙাঙনবনা ফরক্লগনি হায়বদি য়ারক্লোই। ৱাখল চুমথোক্লবা করি তৌগদগে হায়বদি খন্নবা তাদ্রি হায়গনি। ইশাগী মিং, ফুরুপকী মিং, ষ্টেটকী মিং ফাওবা চয়েৎনবগী থাক্তা লৈরিবদা খুন্নাই শাগৎপদা য়াওরিবা মীয়ামগী ৱাখল পরিংদসু চুল্লগনি হায়বা য়ারক্তে। লান্না উহল্লিবশিং য়াওরক্লবদি মদুগীসু চৈরাক অমা লৈফম থোক্তব্রা? ফত্তে হায়দুনা লান্না উবসু য়ারিবনি।

মপূং ওইনা নুপীগী মশীং য়ামখৎলকপগী ৱাথোকশিং অদুবু ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনবদুনি। কুমজা ২০১৯গী ইলেক্টরশিংগী মশীংদা ষ্টেট অসিগী নুপা-নুপীগী মশীংদু অমুক্তং য়েংবীয়ু। করি উবনো, শোয়দনা ঙকপা থেংনবীগনি। মদু খঙলুদনা ৱাথোক মচা খরা উরগা নুপীগী ৱাথোক ওইনতা উবদি লানগনি। মদুমক খুন্নাই অসিগী অচৌবা ৱাথোকনি, চহী কুন্নগী মমাঙদগী পাউচেশিংদা হায়দুনা লাক্লবনি, মী মশীং হেনগৎলিবসি খূত্তা পুবা পঙইদা ইশিনবগী ৱাথোকসু লৈরিবনি। চীংদদি ভোট থাদবা চৎপসি নুপীশিংদি পাম্নদবনা নুপা মশীংনা হেন্না ইশিনবগী অপাম্বা অমসু লৈরম্বনা নুপী মশীং হন্থনা উহনখ্রবনি। আধার লাকপদগী খরা মখৈ চুমথোক্লরবসু সেনাপতি অমসুং জিরিবাম নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক নুপী মশীংনা হেল্লিবনি। মসি খঙদনা নুপা-নুপী য়াইফনবা খনবা ৱাখলশিংদা অরানবা কয়া য়াওরকপা য়াবদুনি। ইম্ফাল ইষ্ট-ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টশিংগী অপূনবা ভোটর মশীং ১১,৩৯,৪১৬নি। নুপা মশীংনা ৫,৪৯,৫৯৯ ওইখি। নুপী মশীংনা ৫৮৯৮১৩নি। অতোপ্পা (ত্রান্সজেন্দর) মশীং ৪২ য়াওরি। দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা নুপীনা মশীং ৪০২৯৪ হেল্লিবনি। করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসি ৱাথোক মচাশিং খরা খরা থোকপসিনা লোইবা য়ারোই। হেন্না ঙকপা য়ারিবদি মীয়াম অমসুং নুপীশিংনা তূমিন্না খাংলিবা অসিসু অমনি। মসিদবু মুত্তনা কনানা মুৎকনি। অখঙবা শারুব্রা হায়ববু মুখৎনবা শিনবা মাল্লক্লি। ৱাথোক মশীং থিরিব্রা, ৱা থোক্লবা শিল্লিবনা কনাননো? কনানা শেন্নবা ঙমগদৌরিবনো, মহারানি শাবনা য়াগদৌরিব্রা হায়বদুদি য়েংবা তারি। বাইওলোজি কেল্লি য়ূম পান্নবা হোৎনবদি লাল্লি হায়বা য়ারোই, অদুসু লম্বী খরদি লেমহৌবা শোয়দ্রবনি। অসিমক্তদা নুপা খরদি ময়ূম পান্দ্রিবনি, নুপী লিশীং ৪০গী ৱা ঙসি ফাওবা তানদ্রিবনি। মসিদবু কনানা অশিংবা শারগা শিনবা য়াওরিবগে। অশোয়বা মঙা-তরাগী ৱা ওইনা ঙাঙবা য়াওরিবা-য়াওরিবীশিংনা কদায় ফাওবা চুল্লিবনো? শিবা-হাৎপা ৱাথোকশিংদু চুম্মী হায়বা নত্তে, ৱাথোক মশীং হেনগৎলকখিনি হায়বদুনি। ৱাখল পরিংনা লাল্লবদি ৱাথোক শাগৎপা মীগী মশীংসু হেনগৎলক্কনি হায়বদুনি। মপানদা লৈখিবীশিং হল্লকপা অৱাবা ওইরবনি, কছার অমসুং ম্যান্মারদা লৈবা নুপীশিংসু চৈনা অসি ফংবা কুইরবনি, চহী অমা-অনীদা হেক্তা ওইরকখিবসু নত্তে। ৱাথোক থোক্লকপগী হৌরকফমদি থিনীংদবা নমহৎলগা চৎপা পাম্নগুম তৌরি। মৈতৈগী ৱাসিদি শুমাং লীলা হৌবদা মৈতৈ লৈমা হায়না লাউবসিনা লোইরে, অতৈ অয়াম্বদি মণিপুরগী ওইনা লৈখ্রে। মশাগী মশীং খঙদনা নুপীশিংনা খনবা ৱাখল কয়া খুন্নাইগী কান্নবা ওইগদৌরিব্রা (স্কুল, কোলেজ সবজেক্ট অমগী নত্তে)। নুপী ওফিসরশিং, এম এল এশিং, মহৈ হৈরবী ময়াম্না হীরম অসিদা করি খঙলবা, করি খল্লবা, করি ৱারেপ লৈরবা? লৈত্রি, খন্নদ্রি, নিংথৌ পাল্লিঙৈগী রানী মাল্লকপসু য়াওনরি, খুন্নাইসি মূখৎলিবসি নুপীশিংনা ওইরল্লিব্রা?

কাঙলূপ খরদা মসিগী অৱাবসি লৈতনবা হোৎনবসু লৈ, খুঙ্গং খরদসু পুকচেল চাউবী কয়া লৈবগী ৱারীসু লৈ। অপূনবগী ওইনা নুপী খুন্নাইগী ওইনদি চৎনবী ওইনা লৈরে হায়বদি য়াদে। লোগী মিৎয়েংদসু মীচং-মীখাই নাইবা য়াদে হায়গনি, কাঙলূপকী খেন্নবদি থমগনি, নাকল অমদা লোদি মমিৎ নাম্মা তাংই হায়বসু লৈরি। পূম্নমক্কী মথক্তা ৱাখল লৌশিং ওইনা মীয়ামগী কোক্তা য়াওনদ্রবদি ৱাথোক্কী ৱাথোক ঙাক্তনি হায়বা তারক্লি। কনাগুম্বা নুপা নুপীবু ফত্তনা উরিবা মিৎয়েং অদুমক খুন্নাই মূখৎনবা মিৎয়েং ওইরকই। শেন্দাংগুম খোংবা হায়বসি ষণনা উরোক থোং লানবা উরবসু উদে হায়উ হায়বা পাউরৌদু খঙদবনি, ফুরুপকী ওইজবা খঙদবশিং ওইবা তারক্লি। ফৈ-ফত্তে হায়জগনবশিংসি মশাগী ওইজবদতা য়ূম্ফম ওইগনবা লৈবাক খুন্নাইগীদি খনবা ৱাৎহৌবা য়াওবসু য়ারিবনি। কনানা খঙবা আনা-শিকি পাম্বদগী পঙয়াওদা য়াওশিনবসু য়াওরব্রা? ঐখোয় অমা অনীনা মমায় চুম্বা খুন্নাই ওইরক্কদৌরিব্রা? মীয়াম লুপ্পা ৱা কয়া খন্নখ্রে, ৱারেপ কয়া লৌনখ্রে, কয়া য়াম্না কান্নরবগে? ৱারেপ লৌবা ঙমজদবা ৱাফম কয়াগীদি কনানা ৱা ওইনা ঙাঙবীগদৌরি। লৈঙাক্লা উবা ঙমদবশিং মীয়াম্না উবসু লৈ, মীয়াম্না উবা ফংদবশিং ময়াম লৈবদুনবু লৈঙাক্কী শেন্থং হুরান্নরম্বা য়াওনরম্মীবনি। হৌজিক্লা উবা কয়াদগী লৈঙাক্তা মুক্লবসু কয়ানি। মালেম অসিগী মচি খুদিং ঈংনা চিক্লা লৈববু য়াওশিল্লক্তরে। নিংঙাই তৌবা হৈতবা অঙাংদি পঙগল্লি হায়বসু লৈরিবনি। অফবা লৈঙাক্লি হায়বগী মনা ফংলবা লমদমদি অঙাংগী মানবসু য়ারিবনি।

নুপী অঙাংশিংদা চথবা ক্রাইম ময়াম লৈরে হায়বসি নুপী অঙাং খরনা খন্নরগা য়ারদরা? অমনবা লোনা অনৌবা ৱাথোক লাকশিনবা ঙমগদৌরিব্রা, অনৌবা লো শেম্বা হৈতবশিংনা কয়াবু কুইনা হিংবা ঙমজগদৌরিবা? ৱাখলগী মচাক করিনো হায়বা খঙদনা করম্না নৈনগদৌরিবা? হৌগৎপদি তনবা পঙখোংদা খোংবা হুইসু লৈরিবনি। অরানবা এক্সন অমগী রিএক্সন খুদিং চুমগনি হায়বদি লৈতে, নোংমাংখাদা তুলসি মনানা কৈদৌগে হায়বনো? দেমোক্রেসি হায়বসি মোনার্কিজম্না ননশিনবীরবা হঙোই ওইনা অসুম হিংগনি হায়বা লৈতে। ঐ ঐগী ফৈ-ফত্তে, ফজৈ-ফজদে হায়বশিংসি মালেমগী থাক্তা হোংদোক্লরক্লিবা ময়ামসিসু উদবা য়ারক্তবনি। লাই ফাওবা মোনার্কিজম চৎলিবা লমদমসিদা মীয়াম্না দেমোক্রেসি খঙলবনি হায়গদৌবগী মতমদি ৱাৎলিবগুম্না ঙাঙনরিবা মিৎকুপসিদা ফুরুপচাশিংনা মূখজখিবদা কনবা নংদবা থোক্লবদি অমদা পাওথংনবনা হিংগনি হায়বসু লৈতে। মী মশীং থিবদি হৈতবা, ঐ অমনা হিংলগনি খঞ্জগনবা হায়বসি নায়রিংজেলনি। লৈবাক্কী কান্নগনি হায়বদি খক লৈতবসু য়াই, লান্দা থৌবা চিংই, লাল্লোং য়াওদবনি। মদু লমদমসিদা ইতৎ তত্তনা থোকখ্রিবনি, ঙসিসু অদুম চত্থরিবা থৌওং লৈরিবনি। মূখরক্লিবসি উদনা হিংলিবনিদো হায়বগী মুকচবসু ময়াম লৈরিবনি, লাই শাবসু ময়াওরিবনি।

মী খরনা দ্রগ লল্লোনগনি, মীওই খরনা ফাগনি, মী খরনা লম অহাঙবা উবা য়ারোই, ইমুং খরনা মচা-মশু পোক্তে, ইমুং অমনা মচা তরামরি পোকপা য়াওই, মীওই খরনা হুরানবগী ইকায়বিদে, হুরানবা ফারিবশিং শেল তাল্লি, মীওই অয়াম্বা থবক শুনীংদে, তোলোপসু লেম্না চানীংই। ময়াম অসিনা লৈবাক পাল্লি খল্লিবনি। মী য়াল্লক্লগা পোকখায়বা হৌনদে, নম্বর ৱারদদি তিস্ত্রোক্তু ককচেংনা পুখিনি। নুপী নুপা লাখ মঙানা চহী অনী-অনীগী শোয়দবীদা অমমম পোক্লবসু লিশীং নিফুদি অদুম মৱাৎলগনি। লাইরেম্বী লিশীং নিফুনা হিংনা চাগে হায়রল্লবদা লাই কোতি কুন্থ্রাহুমদোইনা কদায়দগী ঙাক্রা লিশীং নিফু-নিফু কৎপা ঙমগদৌরি। করিগীদমক উমংলাই পঙলাৎ লাৎপনো, করিগী খুনজাওনবা-লৈচাওনবা পঙলাও লাওবনো, করিগী কাংসি মখোন্দা কোয়চেনতা চেনবনো? শেনবুংনা লাই অমগী, কাংসিনা লাই অমগী, লাইবুং অমদা পঙয়ৈদা য়ৈনরম্মী। মাগী মাগী মী মশীং খঙনরকপদগীরা পুন্নখিদ্রে। মী য়াওদবা করম্বা খুঞ্জাওবা লৈচাউবা হায়বা লৈব্রা। মশাগী মশীং খঙদবী নুপীশিংনা লাই নীংই হায়বা উমং লাইনদি য়ারক্কদৌবা মাল্লক্তে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।